# থম্মোয় অনী শিন্ননবা পান্থে অমা থিরকপা

- এস ইন্দ্রকুমার-



হায়-স্কুল তল্লিঙৈ মতম অদুদদি লেং-মান্নবী (চহী লোঙ্গা) গী নুপীশিংগা লাইরিক তম্মীন্নদুনা, নক্লা লোয়নবগী তাঞ্জাদুমদি ফংলকখিদে, তেরা বোইজ জুনিয়র হায় স্কুল অমদি রাম লাল পোল হায় স্কুল অনীসিনা নুপামচা ঙাক্তা তম্বা স্কুল ওইরমবনা। লৈকায়গী ঈথক-থোংবা ইয়াম্বশিংনা শীন-লাঙবা 'সম্মর-কোচিং-ক্লাস' কী থা অমগী মতমদুদা পূন্না লাইরিক তম্মীন্নরকখিবী লৈকায়গী লেং-মান্নবী খরগী পূন্সি মমি ঐগী থম্মোয়সিদা তারিবসিনা ইথিল পীদুনা ৱারী খরগী প্লোট শাগৎখি। মদুগী কাউঙমদ্রবা এক্সপরিয়েন্স - পূমতোপ তোপ্পা অমনি। অসিনা মরম ওইরগনি, ঐগী মথোৎ-কারক' মতমগী মঙলান'-তাইবঙ অয়াম্বা বেঙ্গলিদগী হন্দোকপা, মীতৈলোলদা ইবা উপন্যাসশিংগী ক্যারেক্টরশিং নৎত্রগা হিন্দি ফিল্মগী হিরোইনশিংনা কন্দুনা লৈখিবা। হায়-স্কুল পূন্সি লোইরদুনা কোলেজগী তেল্লবা পূন্সি অদুদা থেংনরকখিবা নুপা-নুপী-কো-এদ্যুকেশন-সিষ্টম অদুনসু রোমান্তিক-ড্রিমস মথৌ শঙবা নত্তনা অতৈ ফংলকখিদে। অনৌবা চহী থুংলবা, ন্যু য়র মতমদা তরাম্না ওকপগী 'গ্রীটিং কার্দ' নুংশিবী মঙোন্দা পীননবা খনবদা 'করম্বা ৱারোল'না ঐগী থম্মোয় ইহুল খ্বাইদই হেন্না চূনবগে য়েংখি। ...'আই হেব নোট স্লেপ্ট ফোর ফিয়র আই ৱুদ ব্রেক টু ফাইন্দ ওল দিস বত এ ড্রিম'... মতমদুদা থম্মোয়সিদা য়ৈখিবা ৱাহৈ পরেং অমনি।

'জেক্কলিন সুসেন'না ইবা 'দোলোর্স' হায়বা নোভেল অদু পারুবদা নোংচুপলোমগী ইনখৎলক্লিবী লৈশাবীশিংগী রোমান্তিক লাইফকী অঙকপা শক্লোন অমা উরকখি। নুপীমচা অমগী অহানবা সেক্সুঅল এক্সপরিয়েন্স অদু অপোকপা মপাগা শানবা ৱারীগী সবজেক্ট অমা ওইহনবা-ৱাখলসিনা লামশিনবা ঙল্লরোইদবা রিঅলিটি অমনি। লমদমসিদা কনাসু ঙম্লি থাজদে।

ফনা কুইরে, চহী কুনমরি-মঙা শুরল্লগনি 'রিদর্স দাইজেষ্ট' মেগাজিন্দা আর্টিকল অমা পাখি। অইবদুদি কাউখরে, টাইটলদুদি নীংশিংলি -'দান্সিং ইন দ দার্ক' (অমম্বদা জগোয় শাবা)। ৱারেং অদু অমেরিকাগী স্কুলশিংদা ইনখৎলকপা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংনা, মখোয়গী দান্স অমসুং ম্যুজিক টিচরশিংগী মতেংদগী, মাগী-মাগী থম্মোয়বু কাইহৌরিবা মহাক্কা মপাঙ ওইদুনা স্কুলগী জিম্নাজিয়ম মনুংদা মুশি মুশিবা মঙালদা হকচাং অনী চিপক্লনা জগোয় শামিন্নবগী থম্মোয়-ঈরাং হৌহনবা, পূন্সিগী অহানবা মীকূপশিংদু শৈথাবনি। কল্লবা, শান্নবগী খূৎশু-খূৎলায়, বেট-হেন্দল পায়বতদা হৈরবা খূৎশাশিং অদুনা থম্মোয় হুনা ফজরবা, নীংথিবী মাগী চেংলবা খ্বাঙগী থোৎলবা হকচাংদুদা শোক্লুবা মীকূপ্তুদা হকচাং পূম্বা তুজুংখিবা... অদুসু, ঈশৈ অমা লোইরগা অতোপ্পা ঈশৈ অমা হোংবা খুদিং, পার্টনর অমমম হোংদুনা... হৈ শিংলবা অইবদুগী ৱাহৈশিং অদুননি, অমুক্তসু থেংনরকখিদ্রবা এক্সপরিয়েন্স অদু ইশামক্তা থোকখিবগুম, অদুঙৈগী চান্নবী, ঐগী ওইবা ফংখিদ্রবীদুগা জগোয় শামিন্নখিবগুম তগৎ-তগৎ তেকপা নীংশিং-শক্তম ওইনা মীৎমাঙসিদা চোংথোকহল্লিবা। খনখি- মতমদুগী নুপামচা-নুপীমচাশিংগীদমক্তি 'হায় স্কুল'- নুংশি-নুংওন-ঈরাং হৌহনবা, রোমান্তিক-ম্যুজিক'না নিল্লবা 'বোলরুম-দান্স-থিয়েটর' তঙাইফদবা অমা ওইরবা, 'কো-এদ্যুকেশনেল পেরেদাইজ' অমা শোয়দনমক্কী ওইরমগনি। অইবদু ঐহাক্কুম্বা অমা শোয়দনমক্কী ওইরমগনি, 'নখোয় কনা কনা জগোয় শাবা হৈ, অহৈবশিং নখূৎ থাঙ্গৎলু' হায়না ম্যুজিক টিচরদুনা লাউথোরকপদা মখূৎ থাঙ্গৎখিদে হায়, 'হৈত্রিবশিং, হয়েং নুংথিল দান্স-টিচর-মেদামগী নাক্তা রিপোর্ট তৌগবদনি'...।

দান্স-টিচরগী মনাক্তা চৎলগা রিপোর্ট তৌরুবা, মহাক্কী 'ড্রিম-গর্ল' ওইরম্বীদুগা লোয়ননা জগোয় শামিন্নখিবা, মঙদুনা অচুম্বা ওইরকপদা দান্স-টিচরদুগী থৌদাং... শৈথাদুনা ইখিবা অইবগী ৱাহৈশিংদু মীৎমাঙসিদা জগোয় শারকই... 'বোইজ! ... ঐনা ৱান, তু, থ্রী, ফোর কাউন্ট তৌরকপদা নুপীমচা অমগী নাক্তা চঙশিন্দুনা জগোয় শামিন্নসি হৌগদবনি... নখূৎ য়েত্তুনা মাগী খ্বাঙ মপাদা থল্লগা ওইথংবা খূৎতু পাম্বোম ৱাংনা থাঙ্গৎতুনা তূমা শুবা মশীং খুদিংগী খোঙকাপ অমা মাঙলোমদা, তুমা শুদবা মশীং খুদিংগী খোঙকাপ অমা তুংলোমদা হন্দোক্কদবনি ম্যুজিকসিগী তাম্থাদা... মখ্বাঙদা থল্লিবা খূত্তুনা হকচাংদু চিপক্লনা চিংশিনবা ঙল্লিবমখৈ জগোয়সিগী ফজবা হেনগনি'...। দান্স-টিচর, ওজা নুপীদুগী য়াথংদা শাখিবা জগোয়... পামজবা মহাক অদুগা পূংবা ওইনা তারক্তুনা, মহাক্কী খূৎ অমদি মখ্বাঙদুদা শোক্লুবা মীকুপ্তুদা মথম্মোয়দা হৌখিবা মথুম-মরাঙ... অইবদুনা হায়, চপ চানা ফোঙদোক্লবা মাগী ৱাহৈ থিবা ফংদে।

নীংশিং-নীংশিং তমজরিবা পাউদমসি, তমজরিবা ঐঙোন্দসু পাবীরিবা অদোমদসু তায়ওন্নবা থোক্কদবা পাউ অমনি খঙনা তমজরিবনি। মরম অমখক্কীনি। 'নুংশিবা' হায়বা থম্মোয় ইহুল অদুদি মালেমগী মীওইবা খুদিংমক্তা মান্নরবসু মফোঙদোক্তি মান্নদে। নোংচুপলোমগী লৈপাকশিংদা চৎনরিবা চৎনবী ঐখোয়দা মরিং-মরাংবগুম, ঐখোয়গী চৎনবী মখোয়দসু মরিং-মরাংগনি। দান্স অমদি ম্যুজিক ক্লাস, নোংচুপলোমগী লৈপাকশিংগী স্কুলশিংদা তঙাইফদবা অমা ওইহল্লকপা ঙসি ঙরাংতদগী নত্তে। মখোয়গী পর্পজ তোঙাল্লি। ইন্দিয়ন এদ্যুকেশন সিষ্টম অসিগী মনুং চন্না, দান্স-ম্যুজিক-আর্ট হাপচিন্নবা হোৎনরক্লিবা ঙরাং-নহানখক্তদগী নত্তে, হয়েং-হংচীতসু ওইথোক্লোই, ৱাখল খূৎখন মান্নদে। 'সেক্স এদ্যুকেশন' স্কুল করিক্যুলমদা হাপচিনগনি হোৎনরল্লিবসিগা পাঙ্খক্লি। ন্যু এদ্যুকেশন পোলিসি মোদিনা লাউথোকখিবদু চৎনবা হৌর' মতুংদদি অহোংবা খরা লাক্কদ্রা? হৌজিক হোরেন খঙখিরোই। ম্যুজিক কোলেজ/দান্স কোলেজ/আর্ট কোলেজদা চৎলিবা প্রোফেসনেল ওইবা আর্টিষ্টশিংগী ৱারী নত্তে লীগে খঞ্জরুবসু। পূন্সি মশক খঙননবা হোৎনবদা চঙশিন্নরিবা এপ্রোচ'তুগী ৱারীনি।

ঐখোয়-খুন্নাইসিদসু অদুঙৈদা লৈরন্মী - য়ূম্বান পূন্সি মমাঙদা নুপা-নুপী শকখঙননবা মিনিয়েচর ইন্সটিট্যুশন 'লৈশা ফাল-পাখঙ ফাল'। অচৌবা কম্যুনিটি ওইরকঙৈদগী মূখৎখ্রবসু মাইনোরিটি ওইনা লৈরিবা কম্যুনিটিগী খুল মচা মচাশিংদদি ঙসি ফাওবা ইন্সটিট্যুশন অদু মুত্তরি। কুইদ্রি, চহী তরামরি মঙাগী মমাঙদা 'ৱিনোং' খুলদা খোঙচৎ অমা চৎলুঙৈ, লৈশা ফালগী লৈশাশিংনা শকপা নুংওনবা ঈশৈ অমা তারকখি। ঈশৈদুগী ৱারু অমদি ৱাহন্থোক হংলুবদা খঙলকখি-ঈশৈদু অচম্বা নৎলমদে। পুৱারী অমগা ইরোয়নরন্মী। হল্লক্লগা, ৱারী অমা শাগৎখি, হৈনজবা ড্রামা ফোর্মেট'তা। ৱারী অদু লীথোক্লুই মরুপ মপাং খরদা। ঐনা ইকায়খুম্নজবা গুরু অমনা থিংখি 'ড্রামা অদু ইরুনু, লৈপাক ৱাথোক ওইগনি'। গুরুদুবু ইকায়খুম্নজদুনা, থম্মোয় ইহুল নমথখি- 'ঐগী য়াইফনবা, ফনবা খনবা ওইরিনি'।

লৈশা ফাল-পাখঙ ফাল'গী ইন্সটিট্যুশন মূৎখ্র'তুংদসু হৌদোল্লন্মী - 'লৈশা লৈবা ইমুংদা পাখঙনা কোয়বা চৎপগী, লৈশানা খুদোং হানবই চৎনবী... লীকোন কৌবা মশান্না, পাখঙ লৈশা অনীনা, থম্মোয়-য়াৱা ফোঙদোক্লদুনা পূন্সি-পুংবা খন্নবগী তাঞ্জা পীবা চৎনবী'...।

ঙসিদি, লৈঙাক ওথোরিটিনা ট্রেদিশনেল ভেল্যু তুংওইনখ্রবদা, পাখঙ-লৈশা অনীনা থম্মোয় লান্থোক্লবগী পান্থে ওইনা শেল্লন্মী - মোবাইল ফোন অমদি ইন্টরনেট। ঙসিগী মোবাইল ফোন - মতম অমগী পাখঙ-ফাল অমসুং লৈশা-ফাল অনীগী কম্বাইন্দ প্লেটফোর্ম অমনি। ●

# য়েল্লৌ ফূরুপশিংবু মিৎ-না শিংনা লৈনবা পাউজেল পীরক্লিবা সুরেশ খুন্দোংবমগী 'মশা পান্দবা তীন' - শৈরেং লাইরিক অসিগী মপাউ

- তোংব্রম অমরজিৎ -



সুরেশ খুন্দোংবম য়াইরিপোক পোইরৌখোংজিন মখা লৈকায় লিতান মখোঙদা মার্চ ৮, ১৯৯২দা পোকই। অপোকপগী মিং খুন্দোংবম নিমাই অমসুং অপোকপীগী মিংনা ৱারিবম নিঙোল খুন্দোংবম ওংবী দাসু কৌই। মচিল মৌপ্বা মখোয় অহুম পোকপগী মনুংদা মহাক্লা খ্বাই অহলনি। মহাক থৌবাল কোলেজগী সাইন্স গ্রেজ্যুয়েটনি। মসিগী মতুংদা পি জি দি সী এ অমুক তমখি অদুগা গুৱাহাটিদা অমুক আই এফ বি আইদা পি জি দি বি ও তমখি। মণিপুরদা লৈরিবা খোরিরোলগী লূপশিংনা ফোঙবা চেফোঙশিংদা শৈরেংশিং হাপ্তুনা লাক্লি। খূৎশম্নদুনা চৎমিন্নরিবা লূপশিংদি কংলৈপাক লোইনশিল্লোন অপূনবা মরুপ (কলম), য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরি য়াইরিপোক, পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুর, আর্টিস ট্রেনিং কম মণিপুরনি। তাইবঙ য়ূম্বাল পূন্সিদা থৌবাল ময়ায় লৈরক্তগী তোংব্রম নিঙোল বিদ্যারানিগা পূন্সি খোঙলোয় ওইদুনা মচানুপী অনীগী অপোকপা ওইবা ফংজখি। ইবগী লম্দা লেপ্তুনা চঙশিল্লি। ইন্টরনেশনল এন্থোলোজি 'অন্দর দি এজুর স্কাই' মিংথোনবা শৈরেংগী খোমজিনবা লাইরিক অসিদসু মহাক্কী শৈরেংশিং হাপখ্রে।

কাঙলূপ অমগী ফূরুপ অমগী মীহুল খঙনবা হোৎনবদা ঐখোয়না পাবা য়াবা লাইরিকশিংগী মরক্তা শৈরেংগী লাইরিক্লসু য়াম্না মতেং ওইরি। মীওইবা খুন্নাইবু অমদি তাইবঙগী মিৎনা উবদা ফংদবা অদুবু থম্মোয় পূক্নিংনদি ফাওবা অদুগুম্বা ইহুল অমদি ইনোৎ অসি খঙনীংলবদি শৈরেং পাবা তাই। শৈরেং হায়বসিদা য়াওরিবসি শেংলবা থম্মোয়গী য়াৱানি। অমকপা লৈতে। অদুনা চুম্না শেংনা ফোঙদোকপা ঙল্লবদি পারিবা মীওইশিংদা অঙকপা ইথিল পী। পূন্সি অমদি খুন্নাইদা য়েংলম্বা মিৎয়েং ফাওবা হোংদোকপা ঙম্মী। অদুনা মালেম শিনবা থুংনা মমিং লৈরবা অফাওবা লুচিংবশিংনা শৈরেংগা য়াওন্নখিবগী ৱারীশিং ঐখোয়না তারি অমদি ৱারী লাইরিক্তা থেংনরি। ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা পণ্ডিট নেহরুনা মহাক্কী তুম্নবা কাংথোল মনাক্তা মহাক্লা খ্বাইদগী পূক্নিং লুপচবা ইংলিস কবি রোবার্ট ফ্রোসকী শৈরেং "Stopping by Woods on a Snowy Evening": হায়বসিদা ইরিবা শৈরেংগী ৱাহৈশিং, *"The woods are lovely, dark and deep, But I have promises to keep, And miles to go before I sleep, And miles to go before I sleep."* পরেং খরসিনা মহাক্কী পূন্সিদা পাঙথোক্কদবা শিন্থা অমদি চাওখ্রবা ইন্দিয়া অসিগী লুচিংবা অমা ওইবগী থৌদাং পূম্নমক থৌনা লৈনা, মতিং ফুদোক্লা পাঙথোকপা ঙল্লমখি। মসিনি শৈরেংগী ইথিল। কবি William Wordsworth না মহাক্কী *Preface to Lyrical Ballads* তসু হায়, শৈরেং হায়বসি "breath and finer spirit of all knowledge" অদুগা অমুকসু হায় শৈরেংনা ফোঙদোক্লিবসি "impassioned expression which is in the countenance of all science". মসিনা ফোঙদোক্লিবদি অতৈ নত্তে, শৈরেং হায়বসিনা মীওইববু মীওইবা ওইনা হেন্না মগুণ হাপ্লি, মিৎয়েং পাকথোক চাউথোকহল্লি, অচুম্বদু মশক থোকহল্লি, ৱাখল খন্থহল্লি। মসিনি শৈরেংগী মগুণ।



লাইরিক্কী মমিং :- মশা পান্দবা তীন (২০২৪)
অইবা :- সুরেশ খুন্দোংবম
অফোঙবা :- য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরি মণিপুর
লাইরিক্কী মখল :- শৈরেং
লাইরিক্কী মখুম :- সোরাম ইবোমচা
লাইরিক্কী মমল :- লুপা ৩০০/-
লমায় মশিং :- ১০২




মণিপুরদা হৌজিক খ্বাইদগী মরাং কায়না ফোঙনরিবা লাইরিকশিংগী মরক্তা শৈরেং লাইরিক্লা মশীং খ্বাইদগী য়াম্না পুথোক্লি হায়বা য়াই। শৈরেংগী ঈচাও থোক্লি হায়নবা ফাওবা য়াওরি। কুপ্না নৈনরুরগদি মসি খ্বাইদগী অফবা খুদম্লি হায়দবা ঙমদে। মরমদি খুন্নাই অদু কবিশিংনা সোসিয়েট ক্রিটিক ওইদুনা কুপ্না শেন্নরিবনি। মখোয়গী খোর্জেনা চোয়-চাং ওল্লিবনি। হিমায় চুল্লিবনি। কনফ্লিক্ট সিচুএশনদা, পোষ্ট-কোলোনিয়েল ইরাদা অইবা কয়া থোক্লকপা হায়বসি খুন্নাই অদু মতিং লৈনা হিংলি হায়বগী ময়েক লারবা খুদম্লি। ঐখোয় ইবা লেপ্পা য়াদে অদুগা কুপ্নসু নৈনবা অমদি মথৌ তাই।

সুরেশ খুন্দোংবমগী হন্দক ফোঙলক্লিবা 'মশা পান্দবা তীন' হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অসিদা পূন্না শৈরেং ৬৯ য়াওরি। লাইরিক্কী মিংথোল ওইরিবা শৈরেং অসিমক হৌজিক হৌজিক ফোংফোং শারিবা ইস্যু অমা ওইরিবা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংনা লমদম অসিদা হৌখিবা চহী খরা অসিদা খুদা লৈতাদুনা চংজফম লৌরগা লৈরম্বদগী হেন্দোক্তুনা য়েলহৌ ফূরুপশিংদা অতম্লনা লানশিংনরকপা অসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা শাগৎপা থিমনি। নহা ওইরিবা অশৈবা সুরেসনা শীজিন্নরিবা মশা পান্দবা তীনগী ইমেজরি য়াম্না মতিক ময়াই চেল্লি। তীন হায়বসিমক্তবু অফবদি খক তৌদে। লমদম অসিবু অইবনা লৈহাও ফবা ইঙ্খোল অমগুম খঞ্জরগা ইরকপনি। অদুবু মশাদি পান্দবা তীনগুম্বা শাথীবা কাঙলূপ অমনা নারোন্দা চঙশিল্লক্লগা মাঙহন-তাকহনবা অমদি অমাঙ-অতা থোকহল্লিবা অসিদা শাথীনা পেঞ্জদে/নুংঙাইতে। অদুনা হায়রক্লি, "ইখঙ খঙহৌদনা/পাইশিল্লকই য়াম্না য়াঙনা/শৎ তোংলৈ মশা পান্দবা তীনদো/পীথোক্লুবনি কাইদোংফম/হুমাং তাবা তন্দুনা/থাকচিল্লকখি লৌনম লাং,/তংলুবনি মহাউ/খোইহিবু হুনি খঙদনা/থুরেদো ঙসিদি ময়াই কারবা লাংদা..." মসিদা পোপি পাক্তক্লনা থাদুনা লমদম অসিগী নহাশিংবু কানি পীজদুনা লাং থাক্লিবা ফূরুপ অদু মিৎমাংদা উহল্লক্লি। অদুনা মখা তারদুনা ইরক্লি, "ময়োল চিকথৎপীখ্রবা পামেলনা/চৈনা খাঙলিঙৈ/মরূ ফুক্নবা হোৎনরকই/য়োমশিল্লকই তীনশিং অসুম-অসুম/শাজিল্লকই মহুম উশা খুদিংদা" শৈরেংগী পরেং খরসিদা থেংনবীগনি ঙসি ঙসিমক থেংনরিবা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট অমদি মীতোপশিংনা লমদম অসিদা মহুম শাজিল্লক্তুনা লৈঙাক্কী চুক্লি ফাওবা পায়শিল্লকপগী ফীভমদা লাক্লি। অদুনা অশৈবনা শাফু লৈবা ৱাহৈনা হায়রক্লি খোল্লাল অমগা ইরোয়নদুনা, "চহী তরেৎ খুন্তাকত্রিঙৈ/মুৎত্রিঙৈ মালেম লৈমায়দগী/খঙহৌসি তীনশিং/ফাদোকখিসি তীনশিং/লৈহাওসিদা অমুক তারক্তনবা।" (লা:১৫) লমদম অসিগী য়েল্লৌ ফূরুপশিংগী আইদের্ন্টিটিদা অচৌবা শীংনবা অমদি খুন্নাই অসিদা এগজিষ্টেন্সিয়েল ক্রাইসিস অমা লাক্লে হায়বসিগী পাউজেল অদুনি শৈরেং অসিনা পীনীংলিবসি।

'কংলৈপাক' হায়না মিংথোনবা শৈরেং অসিদা সুরেসনা উরিবসি লমদম অসিগী তুংলমচৎ অদুনি। তলা পামেল অমবু মশা মরেং অসুম ককথৎপীদুনা মমৈথংদা লেপকং কংলকপগী ফীভমদা লাক্লবা ইমেজরি অমা শীজিন্নরি। মসি খন্দবসু য়ারক্তে ঙসিদি। মরমদি হৌজিক হৌজিক ওইরিবা লমদম অসিগী ইপা-ইপুনা ঙাক্লম্বা ঙমখৈ অদু মচি মচিদা মমি শাম্বগী ফীভম কয়া থেংনদবা নত্তে। অদুদা মিপায়জবা ফাওরকপা মতাংদুনি। অশৈবনা ইরক্লি, "লাইওইরবা হে উপাল/নঙবু লৈখিগদ্রা মীওইবগী পুৱারীদা।/কবো তম্পাক্লা লাপখ্রবদা/ক্কাথা খুলনা নাথৈখ্রবদা/য়াওখিগদ্রা মিপাইরকই ঐসু।/লৈমায়থক্তা হৌরম্বা পামেলগুম্না/তপ্না-তপ্না মশা মরেং ককথৎলম্বদগী/তেমশিংনরকই মরূ ফাওবা ফুক্নবা/লমদমসিগী লৈমায়থক্তগী।/হৌজিকসু লেপত্রি মশা হিদোকপা/তপ্না-তপ্না মখোঙ য়ৌশিল্লক্কদৌরে..." (লা:১৮)

সুরেসকী "লোক্তাক ঈমা" মিংথোনবা শৈরেং অসি পারকপদা নাকোংসিদা তারকই লোক্তাক পাৎ শেংবগী স্কাম করি কমদৌখ্রবজাৎনো হংনীংলকই। অপোকপী মমাবু লায়েংবীনবা পীরকপা শেলদু মথোং হুক্তবা মচাশিংনা শায়েন ঙায়েন্দুনা লোইথোকখিবা অদুগুম্বা থৌদৌনি মণিপুর অমসুং লোক্তাক পাৎনা থেংনরিবা ইস্যুদি। নহা ওইরিবা কবি অসিনা লোক্তাক পাৎপু অমুক শেমগৎপা য়াখিগদ্রা হায়না খল্লকপা মীকুপ্তা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা কনবা ৱারগনি হায়বা মিৎয়েংদা ইরকপনি খল্লি। কবিনা হায়রক্লি, "য়ানশিল্লবা অমোৎপশিংনা/লান্দারক্লি তপ্না-তপ্না/ঈশিংদি মমীংদা ঙাইরে হোংদ্রিবা/... মায়থোঙদা মকে শেন্থদগী/চান্মরক হন্না ফজৈদো/লোক্তাক ইমা নহাক্কী মহৌশাগী শক্তমদি/মীরোলসিনা কনবা ঙমনি থাজদ্রে..." (লা: ৮৩)

নহা অইবা অমা ওইনা ইবগী লম্দা চংশিল্লক্লিবা সুরেসকী শৈরেংশিং পাবা নুংঙাইবা অমদি পাউজেল পীবা ঙম্বা কয়াসু লাইরিক অসিদা য়াওরি। মণিপুরী খোরিরোলদা লেপ্তুনা খুদোল তল্লকখিগনি হায়না থাজবা থমজরি। ●

# বাংলাদেশতা অহিং অহুম -১২

- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -

মহৌশাদগী ঐ য়াহৌ ঙনবা মী অমনি। নুমিৎ খুদিং অয়ূক ৱাকিং চৎলি ইয়ূম মণিপুরদদি। নীংথমথাগী মতমদদি মল্লিঙৈদগী য়াহৌবা মী ওইবনা নবেম্বর ১৪,২০২৫গী নোংঙাল্লমদাই পুং ৩.২৫দা ঐ মীকপ থোক্লে অদুবু ফমুংদগী ঐ হৌগত্তে, তূমথবসু ঙমদ্রে। ইয়ূম মণিপুরদদি নোংঙাল্লমদাই পুং ২.৩০গী মঙ্গলাতিগী শরিক মখোল মরক-মরক্তা তাবসু য়াওই। ঐনা নুমিৎ খুদিং মল্লিঙৈদা তাবসি লাইনিংথৌ সনামহী লাইশঙদগী পেনাগী শৈহেক্তা য়াকাইরোল ঈশৈ হৌনা লান্থোকপীরকপসিনি। অদুবু ঐনা বাংলাদেশতা অহিং অমা তূমখুন তাল্লুরবনা, ঐনা ফমুংদা হিপ্লিঙৈ ইহান হান্না তাখিবা খোঞ্জেলদি মসজিদতগী ইপোম নাইনা - নমাজ শোনসি লাক্লো হায়না কৌজবা অজানগী মখোলদুনি। ঙাইহাক লৈরগা মায়কৈ খুদিং 'অজান' লাউবগী মখোলনা মায়কৈ মরিমক পূম্নিল নীলখি, মতমদো অয়ূক্কী পুং ৩.৪০ মুক তারল্লনি। করি-করিনো হোরেন তৌগদবা-তৌরোইদবা, মীৎ উইশিল্লগা ৱাখল পংখন্দা খল্লি। হোরেন ৱা ঙাঙবদা ফজগদবা ৱাহৈ ফনয়াম থোক্লকখি, ফজ-ফজরবা ৱাখলনা পুথোরকপা ৱাহৈ ঙাক্তনি ঐনা খনখিবদো। ইশিনবা ঙমহৌরবদি ফজবা পোইন্ট কয়াদু ফাহৌবা য়াবনি। অদুবু ফাজিনবা ঙমজহৌদে। নাকলদা হিপ্লিবা ব্রোজেন হৌদোকসিরা খল্লম্বনি মহাক্লা ফোটোগ্রাফিদা ঙাওজবনিনা নুমিৎ থোকপগী তাঙ্ককশিংদো নমহন্নীংবগী। নাখোক্লবসু য়াওনরি। ঐনা মুন্না খল্লি, নুংঙাইনা তূমখুন তাঞ্জরিবা মীঙোন্দা অয়েৎপা পীদবনা অচুম্বনি খনখি। নুমিৎ খুদিংগী য়াহৌরকপদা ফমুংদগী লুকথরগা মালেম ইমাগা শম্নরিবা লৈমায়দা লাইবক কৎপনিনা নুমিৎতুসু অৱাং ওন্না লুকথরগা লাইবক অহুল্লক কৎলগা ঐ অদুম হৌগৎলে।

হেক হৌগৎপগা ঐখোয়গী কাদুগী থোঙ হাংদোক্লে। থোঙ হেক হাংদোকপগা মায় অসিনা ওল্লিবা মায়কৈ অসি নোংপোক মায়কৈ ওইফম থোকই হায়বসি ৱাখলনা শাগৎলগা কোরৌহনবা নুমিৎপু খুরুমজে অদুবু মতমদু নোংদি ঙান্দ্রি। ঐখোয়না লৈরিবা মথোল অনী ৱাংবা দলানদুগী শাংলবা মাঙ্গোলদনি ঐনা লেপখিবা। মমত্রিক মল্লিবা অতিয়াদুগা মীৎচাননা অমম্বা মরক্তুদা ঙাংশঙ ঙাংনা পরিং অমা চিংলকপা উই। পরিংদুগী ময়ায়ৱাইদা খরা লাউথোরকপা মফম অমা য়াওরক্লে। ঐ অদুম ৱাখল তারে, কোরৌহনবা নুমিৎনা য়াকাইরকপা হৌরকপনি হায়বসি। ঐ ৱাশরুমদা অয়ূক্কী মথৌ তৌরুরে। নুঙাইতবা অমনা ঐখোয়গী লৈরিবা কাদুগী শন্থোং মায়কৈ কাচিন্দো ঐনা ইমা লৈমরেন শিদবী লাইনিংথৌ সনামহীবু খুরুম্ফম মায়কৈ থোকপনা ঐ খিত্তুং ৱাখল অমা খনখি অদুবু য়ূম অদুগী দিজাইনদা য়াদদনা তৌরম্বা ওইবতাই খন্দোক্লে... ঐনা ৱাশরুমদগী হেক থোক্লকপগা ব্রোজেন! ব্রোজেন! কৌই। ব্রোজেনদি মাগী কেমেরাদু পায়রগা কোরৌহনবা নুমিৎকা ৱারী শানরগা লৈরল্লে, মবানি শকখঙনরল্লে। ইথা থাজদনা বোবিনসু ফোটোগ্রাফিদা অদুম ঙাওই, মাসু নুমিৎ থোরকপগী ফোটো নমহৌনবা হৌগৎলক্লে। ঐখোয়না মপান্দা লাংনবগী মতৌদু উরগা এলাংবম প্রিয়োবর্তসু থোরক্লে, এল রামেশোরসু য়াওররে, ঐখোয়না ফোটো কাপ্পা-কাপ্পা কোরৌহনবা মহাকসু খজিক-খজিক কোল্লা মচু মান্না ঙান্থোরক্লি। খঙহৌদে কোমলা মচু মাল্লম্বদগী সনা ফুদোংবা মচুসু য়াওরক্লে। পাল্লবা অতিয়াদা নীংথিজরবা লৈচিন কয়ানা মতাক মতাক ফৈজিল্লক্লি। লৈচিলনা কোরৌহনববু লোৎতুনা থম্নবা ফনয়াম হোৎনরবসু কোরৌহনবনা ঐখোয়গী মতৌ উবদা মাসু ঐখোয়বু লক্নরিব্রা খঙদ্রে, লৈচিলগী মরুমদা লৈশিল্লগা ঐখোয়বু লক্নবীরম্বা কোরৌদু কয়াম কুইনা লোৎকনি। মহাক্কী মশেক মঙালতনা য়ৈবদা মাঙদা লৈরিবা মপান নাইদ্রবা পাল্লবা অমুনবা ফৌগী লৌবুক্তসু য়ৈররেনে। পাল্লবা লৌবুক্তুসু কোরৌ নুমিৎনা য়ৈবদা সনাগী লৌবুক ওনখ্রে। য়েংবগী পেনবা নাইদ্রে। ঐনা খনখি- ওন্থোক্লা লাইবক ফৈদকো ঙসি হায়বা নুমিৎসে। ঐগী ইয়ূম মণিপুরদদি শেল্লোই চীংজাউনা নোংপোক মায়কৈদা থৎতুনা লৈবনা অসুম্না নুমিৎ থোরকপা উবসি পূন্সিগী অহানবনি... পূম্নমক অসি মপু মানা শিনবীরকপনি।



Tamana Rehman গা ফোটো নমিন্নবা (ওই) নুমিৎ থোকপা য়েংবা

ওজা সরতচান্দগী অয়ূক য়াহৌরকপগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মথৌ অমা হায়বা তারবদি হার্বেল লাইফকী "Affresh" মহী ময়ামদা পীথক্লবা হোৎনবসিনি। Affresh glass অমা থক্লবা তুংদা ইরুজনবা থৌরাং তৌরে। ঐখোয়না লৈরিবা কা অদুদা বাংলাদেশ মণিপুরী সংসদকী নহারোল কয়া লাক্তুনা ঐখোয়গা পুকমেন পাউমেন্নজে। ওইনাম পামহৈবদগী মোবাইল কোল তৌহল্লগা সিলেটতা লৈরিবা ইচলনুপী গীতাঞ্জলিগা পাউ ফাওনবদি ঙল্লে। হয়েং নীনি চনবা লোইশিনবা থৌরম সিলেটতা পাঙথোক্কদবা থৌরমদা থেংনরসি তমখ্রে। হামোম প্রোবিটসু লাক্লে। শক্লাইরবা কবি কয়াসু ঐখোয়গা উন্ননীংবগী চঙলক্লে। অমগা অমগা ফোটো নম্মিন্নৈ। নুমিৎতুগী অয়ূক অঙনবগী ব্রেকফাষ্টতি Adampur Bazar, Kamalganj দা লৈরিবা মৈতৈ পাঙল কবি Shajjadul Hak Swapan হোয়না ঐখোয়গীদমক লাংবীবা ওইবনা ঐখোয় মখাদা কুপ্লসি ব্রেকফাষ্ট লৌনবা হায়না কুমথরে। থা থা লাওবা পরোথা তল অমনে, য়েরূম অমনে, লফোই অমনে চানে ঐখোয় থক্লে। ওজা Shajjadul Hak Swapan না মহাক্লা বাংলা লোলদা ইবা অয়েকপম অঞ্জুনা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক 'তঙৈংলা মায়খুম' খুদোল তৌবীরক্লে। ওজা সেরাম নিরঞ্জনগী লাইরিক "পৃথিবীগী মরাইবক" লাইরিক অদুসু ঐগীদমক খুদোল তৌবীরকই। ওজাবু থাগৎচরি। বাংলাদেশকী মরিপুরী অইবী থোকচোম ওংবী কৈন্যাহলগী লাইরিক "হুকখিদ্রবা কুন্দো পরেং" হায়রিবা লাইরিক অসিসু ওজানা খুদোল তৌবীরকই। নহা ওইরিবী অয়েকপম অঞ্জুগী লাইরিক "থোঙগী নুংশি লৈপুন" (সেতুর ময়াবি বনধন) অসিসু ইবেম্মদুনা খুদোল তৌরকখি। লুৱাংচা অবুজম মনিভদ্রগী "লৌনম লাংদা থুরবা" অসিসু খুদোল তৌবীরকখি।

বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ (বি এ এম এস এ এস)না পুথোকপা "মৈরা" গী ৫৭শুবা এদিশনগী কোপি অমসু সংসদকী মীহুৎ অমনা খুদোল ওইনা তৌবীরকখি ওজা অমনা লাইরিক খুদোল তৌবীরকখিবা পূম্নমকপু খুরুমজরি। হায়রিবা মৈরা কোপিসি য়াম্না মরু ওইবাএদিশন অমা ওইরে ঐগী ওইনদি। হায়রিবা লাইরিক অসিগী লমায় ৪৩দা রাজকুমার চন্দ্রজিৎসনা সিংহ (আর কে সী এস)না ইবিখিবা আর্টিকল অমা "Manipuri Silpakalar Atit o Bartman" হায়বা আর্টিকল অমা য়াওরম্বা থেংনজবসি ওন্থোক্লা পেঞ্জখ্রে, Bamsas পু হন্না হন্না থাগৎচরি। আর্টিকল অসি মণিপুরীদগী বেঙ্গলিদা ডা. আর কে গীতাঞ্জল্লিনা আর কে সী এস ম্যুজিয়ম ওফ আর্টস এন্দ ক্রাফ্টসনা ২০০৬তা ফোঙখিবা "আর কে সী এস মহাক্লা ইরম্বা ৱারেংশিং" কৌবা লাইরিক্তগী লৌথোকপনি।

ঐনা ইহান হানবদা বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী সনা ফুদোংবা লোইশিনবা থৌরমগী চেবাউদা Tamana Rahman কৌবী বাংলাদেশকী শক্লাইরবী মণিপুরী দান্সর অমা ইকায়খুম্নগদবা লিষ্টতা য়াওবদু ঐগা খঙনখিবা Tamana Rahman শোয়দনা ওইফম থোকই খনখিবগা, মহাকসু ঐখোয়না লৈরিবা কাদুগী মপাদা য়াম্না স্মার্ট ওইনা ঐখোয়গা থংননা লৈরিবা মহাক্কী মহৈরোয়শিং লৈফম কাদু তম্না গপ-গপ লাকপা তাঞ্জাদুদা... ঐনা হেক থোকপগা মীৎচাননা থেংনবা ওইবনা ঐনা মঙোন্দা Excuse me !--- are you Tamana Rahman ? মানা য়েস! হায়রকই। অদুদগী মাগা ঐগা ৱারী শানৈ। মানা ২০১০দা ইস্কোনদা জগোয় শাবা লাকখিবা মতমদুদা ঐখোয়গী আর্ট ম্যুজিয়মদসু লাই য়েংবা লাকখিবা পূম্নমক তল্লবা মতুং মহাকসু অদুম থুনা নীংশিংলক্লে। মাগা ঐগা কোয়নদনা ৱারী ঙাইহাক শানৈ। মহাক্লা ইম্ফালদা মতমদুদা লাক্লম্বদুদি মশাগী চহী ৪৪মুক শুবা মতমনি, হায়নবা লৈ বেঙ্গলি নুপীগী মমিৎতি লাইমিৎ পাল্লি। শক-চুদা হেনবীনি, রাশি লৈবীনি মহাক্কী শাওং শাদাদা নুপী ওইবীগী ফজবা পূন্না য়াওরিবা চহী মতাং ওইবনা মতমদুদা উখিবা শকফম অদুমক্তি ওইদ্রে অদুবু মহাক ঐনা উখিবা Tamana দুনি হায়বদুমদি চুল্লবনা ঐ নুংঙাইবা অমদি ফাওখি।Tamana সে শক য়াম্না খাঙই, চীং লেম্বসু হেনগৎলল্লে মহাক্কী ওইথংবা খজাই নাকলগী cheek bone গী শল্লুদুদি ময়েক শেংনা মুরল্লে। মাগা ঐগা পূন্না লেপমিন্নরগা মাঙ্গোলদা ফোটো নমিন্নখি। হৌজিক্তি মাগী চহীসি ৬০ চঙলকপা ওইরমগনি খল্লি। মাগা ঐগা ইচম চম্না হঙ্গৈইনবা য়াওদনা ৱারী শাবা মতৌদুদা ব্রোজেননা কা মনুংদা ফাগি তৌই। য়াম্লুংসে থা-থা য়াবা নৎলমদ্রে। য়ূমদা ইতৈমশিদা তমথোক্কে য়াম্লুংসে য়াম্না খৎলি হায়না। ময়াম ৱা লাউনা নোকমিন্নৈ। সুম ব্রোজেন্দ্রোনা লক্নরিনি হায়বদুনি। হায়রিবা ব্রোজেন্দ্রো মাসু থা-থা য়াবা মী নত্তে, মহাকসু নীংখ্রবদি হন্দে, খোঙলৈ থুনা Tamana Rahman দগী ৱাহৈ খরা মহাক্কী দোক্যুমেন্টেশনগী প্রোগ্রামগী মনুং চন্না অথাবা বোই অদুদা পূক্নিংগী ৱারোল খরা ইহন্নবা ফৎ হেক্তা চঙলুই। ঐনা অৱাং ওন্না মাঙ্গোলদা য়েংবদা, থুখ্রপোৎনি ব্রোজেন্দ্রোনা মানা পান্থা পোজদু য়ৌদ্রি হায়দুনা বাংলাদেশকী অদুক মশক নাইবা, ধাকা য়ুনিভর্সিটিগী এসিস্টেন্ট প্রোফেসরসু ওইরিবা শক্লাইরবা দান্সর অদুবু ব্রোজেন্দ্রোনা মখূৎ ও মশা ও শোমদা খরা পৈথোকখো সোমদা খরা চঙশিল্লু তৌ লৈরন্মী, মখূৎতা কেমেরা অমা পায়রগা মহাক্কী মতৌদু উবদা ঐ ফৎ ঐখোয়গী কা মনুংদা মনিং হন্না লৈশিল্লকখি। সুম ইকায়খিদ্রা হায়দুনা। মহাকসু ঐখোয়গী টিম মেম্বর পূন্নমকসি ইকায় খুন্নফম থোকপা মীওই ঙাক্তনি হায়না হান্না খঙলমগনি। Tamana Rehman না ব্রোজেনগী দোক্যুমেন্টেশন বুক্কুদা পেজ অনী ফজনা ইবীরকই। ব্রোজেন্দ্রোগী অপেনবা ওইখি।

ঐখোয়গী ফিরোল শেৎচিনবা হৌরে তাঞ্জাদুদা শেন্দ্রাং অমা কা মনুংদা পাইশিল্লক্লগা কা মনুংদা ঐখোয় ময়ামদু লৈরম্বদুদা পাখৎখিবা ওইবনা, অফিং অফাই ওইনা মাগী থৱায়দুদংদি হিংহৌনবা খঞ্জদুনা থোঙনাওদা পাইথোকখিগে তৌবদা থোঙনাওদুদি গ্লাস পানবা ওইবনা গ্লাসতা য়ৈরগা হন্দোরকপদা লিরি-লিরি হুল্লিবা ফেনদুদা পাইশিল্লগা মহাক্কী অরোইবা মীৎকুপ ওইখি। করি খুদমনো তৌরিসে পূক্নিংদা নুংঙাইতবা অমদি ফাওখি। বোবিননা অথুবীদা থোঙনাও ৱাংমদা হুন্দোকখ্রে। অতোপ্পা থৌদোক অমনা এলাংবম প্রিয়োবর্তনা সনা ফুদোংবা লোইশিনবা ঙসিগী থৌরমদুদা তোংগদবা খোঙউপ অদু লংদাই লোইনা ফকতোকপদগী মথা ঙাইহাক শানৈ। হামোম প্রোবিটকা মনাক নক্লা লৈরিবা Adampur bazar দা ফোৎলুরে... Adampur bazar অসি মৈতৈ পাঙল য়াম্না লৈ হায়। ●

(...মখা চথরকখিনি)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।